টি কে দব্লিয়ু এ ট্রোফি ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯

# এম ৱাই দি এ মাইরেনখুননা ৱাঙ্গোই এফ সিবু ৩-১দা মায়থীবা পীদুনা ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে



ইম্ফাল, জুন ১২ (ঐচএনএস)ঃ

তেন্থা খোংবাল ৱেলফেয়র এসোসিএসন (টিকেদব্লিয়ুএ) তেন্থানা শীন্দুনা চহী খূদিংগী পাঙথোকপা টি কে দব্লিয়ু এ ট্রোফি ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯গী ঙসি শান্নখিবা অহানবা সেমি ফাইনেলদা এম ৱাই দি এ মাইরেনখুননা ৱাঙ্গোই এফ সিবু পাঞ্জল ৩-১দা মায়থীবা পীদুনা ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি অহানবা সেমি ফাইনেল মেচ অদু এম ৱাই দি এ মাইরেনখুন অমসুং ৱাঙ্গোই এফ সিনা নুংথিল পুং ৪ তাবা মতমদা শান্নখি। মেচ অদু হৌরকপদা এম ৱাই দি এ মাইরেনখুনগী মায়কৈদগী শান্নবা ফজবা হেনখি। টিম অদুগী মায়কৈদগী চথুরকখিবা এটেক অমদা মেচকী ১৮শুবা মিনটতা জর্সি নম্বর ৭ সঙ্করনা অহানবা পাঞ্জল চনখি।

পাঞ্জল অমা শোথরবা ৱাঙ্গোই এফ সিগী মায়কৈদগী পাঞ্জল হন্দোক্নবা ৱাখল খল্লবসু মখোয়গী ফিভম শেন্থা লোইদ্রিঙৈ থংনবা মিনটতা এম ৱাই দি এ মাইরেনখুনগী মায়কৈদগী জর্সি নম্বর ২ রকিপনা মেচকী ১৯ শুবা মিনটতা পাঞ্জল অমগা হাপচিল্লগা অহানবা সেমি ফাইনেল মেচ অদুগী অহানবা হাফ অদুগী লোইরবা ফাওবা মখোয়না ৱাঙ্গোই এফ সিবু পাঞ্জল ২-০দা মাংজিল থাদুনা লৈখি।

ৱাঙ্গোই এফ সিগী মায়কৈদগী অহানবা হাফতা পাঞ্জল হন্দোকপা ঙমখিদ্রবসু অনীশুবা হাফ হৌরকপদগী মখোয়না এম ৱাই দি এ মাইরেনখুনগী মায়কৈদা বোল হেন্না পুশিন্দুনা শান্নবা হৌরকখি।

এম ৱাই দি এ মাইরেনখুনগী দিফেন্দরশিং অদুনা ৱাঙ্গোই এফ সিগী মায়কৈদগী পুশিল্লকপা এটেকশিং অদু পাঞ্জল চলহন্দনা অনীশুবা হাফ অদুগী হৌরকপদা ফজনা শান্নখি। মেচকী ৩২শুবা মিনটতা য়াম্না কন্না হোৎনখিবা ৱাঙ্গোই এফ সিগী জর্সি নম্বর ৮ অঙৌসনানা শোথখিবা পাঞ্জল ২গী মনুংদা অমা হন্দোকপা ঙমখি।

মখা তাবা মিনট ১৫ রোম টিম অনীমক্কী শান্নরোয়শিং য়াম্না লেং মান্নবা শান্নখি। অদুবু ৪৮ শুবা মিনটতা এম ৱাই দি এ মাইরেনখুনকী জর্সি নম্বর ৬ অজয় সেত্রিনা পাঞ্জল অমা চল্লগা অহানবা সেমি ফাইনেল অদু ৩-১দা মাংজিল থাখি।

মেচকী মখা তাবা লেমহৌবা মতম অদুদা পাঞ্জল ২ শোথরবা ৱাঙ্গোই এফ সিগী শান্নরোয়শিং মখোয়গী লৈজবা পাঙ্গল পুথোক্তুনা পাঞ্জল হন্দোক্নবা হোৎনখিবা অদু অরেম্বা তাদুনা মেচ অদু এম ৱাই দি এ মাইরেনখুননা পাঞ্জল ৩-১দা থোইরগা টুর্নামেন্ট অদুগী ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী অনীশুবা সেমি ফাইনেল মেচ ওইনা লাক্লিবা তাং ১৬তা টিএ এম এফ সি সেক্তা অমসুং শন্ফাবী সাপম শান্নরগনি।

১৪শুবা তেল্লৌ সবেন এ-সাইদ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯

# লকিষ্টার অচানবীগৈ অমসুং ও এফ এ পুংদোংবম মখোয় মখোয়গী মেচ মায় পকখ্রে



ইম্ফাল, জুন ১২ (ঐচএনএস)ঃ

লল্লাই কেন্দ্র অমসু খুন্দ্রাকপম কেন্দ্র ভিলেজ ৱাইজ মেন্স ওপন সবেন এ-সাইদ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯, ১৪শুবা তেল্লৌ জোইন্ট কো-ওপরেটিব ফার্মিং সোসাইটি লিমিটেদ ট্রোফিগী ঙসি শান্নখিবা মেচশিংদা লকিষ্টার অচানবীগৈ অমসুং ও এফ এ পুংদোংবম মখোয় মখোয়গী মেচশিং মায় পাকখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা টুর্নামেন্ট অসিগী ৫৮ শুবা মেচতা লকিষ্টার অচানবীগৈ অমসুং য়ৌরবুং এফ সি লম্বা তৌনখি। মেচ অদুগী অঙনবা মতমদা য়ৌরবুং এফ সিগী মায়কৈদগী চথুরকখিবা এটেক অমদা টিম অদুগী জর্সি নম্বর ৭ লৈশেম্বনা পাঞ্জল অমা চন্দুনা লকিষ্টার অচানবীগৈবু পাঞ্জল ১-০দা মাংজিল থাখি।

মেচ অদগী অহানবা হাফকী মখা তারকপা লম্বাদা লকিষ্টার অচানবীগৈগী মায়কৈদগী শোথখিবা পাঞ্জল অদু হন্দোক্নবা য়াম্না কন্না হোৎনখি। অদুবু য়ৌরবুং এফ সিগী দিফেন্দরশিং অদুনা লকিষ্টার অচানবীগৈগী মায়কৈদগী পুশিল্লকপা এটেকশিং অদু ঙাকথোক্তুনা লৈখিবদগী অহানবা হাফ অদু য়ৌরবুং এফ সিনা ১-০দা হেন্দুনা লৈখি।

অনীশুবা হাফ শান্নবা হৌরকপদসু য়ৌরবুং এফ সিগী শান্নরোয়শিং মীৎকুপ নাহুম শীংনা মখোয়না হেনখিবা পাঞ্জল অদু লকিষ্টার অচানবীগৈগী মায়কৈদগী হন্দোকখিদনবা কন্না হোৎনখি। মেচ অদুগী লোইরমদাইদা লকিষ্টার অচানবীগৈগী মায়কৈদগী জর্সি নম্বর ৫ রোজেননা য়াম্না মরু ওইবা পাঞ্জল চল্লগা ইক্বেলাইজর ফংবদগী মেচ অদু ১-১দ লৈরগা লোইশিনখি।

মেচ অদুগী চৎনা কাংলোনগী মতুং ইন্না মায় পাকপা টিম অদু মশক খঙদোক্নবা পেনল্টি কিক কাউনখি। পেনল্টি কিক অদু কাউনরকপদা মায়কৈ অনীমক্তগী কিক ২/২ পাঞ্জল ওইনখি। ৩শুবা কিক কাউনরকপদা লকিষ্টার অচানবীগৈগী পাঞ্জল চনখিদে। অদুবু য়ৌরবুং এফ সিগী পাঞ্জল চনখি। মখা তানা ৪শুবা অমসুং ৫শুবা কাউনরকপদা লকিষ্টার অচানবীগৈগী মায়কৈদগী কিক অনীমক পাঞ্জল ওইখি। অদুগা য়ৌরবুং এফ সিগী মায়কৈদগীনা কিক অনীমক পাঞ্জল ওইখিদবদগী মেচ অদু লকিষ্টার অচানবীগৈনা ৪-৩দা থোইখি।

ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা মেচতা ও এফ এ পুংদোংবম অমসুং সেক্তা এ লম্বা তৌনবদা ও এফ এগী মায়কৈদগী জর্সি নম্বর ১১ পোইরৈতোননা ৩৮ শুবা মিনটতা চনখিবা পাঞ্জল অদুনা মেচ অদুগী অমত্তা ঙাইরবা পাঞ্জল ওইদুনা সেক্তা এবু মখোয়না ১-০দা থোইখি।

অহুমশুবা টিকেন্দ্রজিৎ মেমোরিএল ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯

# এস এ ওনা এস দব্লীয়ু সিবু পাঞ্জল ১-০দা থোইখ্রে

ইম্ফাল, জুন ১২ (ঐচ এন এস)ঃ

দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিসেয়ননা শীন্দুনা এসোসিয়েসন অসিগী শান্নবুংদা পাঙথোকপা ৩শুবা টিকেন্দ্রজিৎ মেমোরিএল ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙরাং শান্নখিবা মেচ অমদা এস এ ওনা এস দব্লীয়ু সিবু পাঞ্জল ১-০দা মায়থীবা পীখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসি পুন্না টিম ৭না গ্রুপ ২ থোক্না লম্বা তৌনরকপনি। ঙরাং শান্নখিবা গ্রুপ বি গী মেচ অদুদা এস এ ও (সেনা এথলেটিক্স ওর্গনাইজেসন) ককচিং অমসুং এস দব্লীয়ু সি (সোসল ৱেলফেয়র ক্লব) কৈরক লম্বা তৌনবনি।



মেচ অদুগী হৌরকপা অনীশুবা মিনটতা এস এ ওগী মায়কৈদগী জর্সি নম্বর ৭ এস ঐচ জুপিটরনা পাঞ্জল ১ চন্দুনা এস দব্লীয়ু সিবু মাংজিল থাদুনা চৎখি। অহানবা হাফ অদুগী লোইশিনবা মতম ফাওবদা টিম অনীমক্কী শান্নরোয়শিং লম্বা মান্নবা মরম্না পাঞ্জল চনবা ঙম্নখিদে। অনীশুবা হাফ লোইশিনবা ফাওবদা অহেনবা পাঞ্জল লৈখিদবদগী এস এ ওনা মায় পাকখি।

# জে ৱাই সি চেলেঞ্জ ফুটবোল টুর্নামেন্ট হৌদোকখ্রে

জিরবাম, জুন ১২ (ঐচএনএস)ঃ

জিরিবামগী য়াইরোলপোকপী গ্রাউন্দদা জে ৱাই সি ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯ ঙসিদগী হৌদোকখ্রে।

হৌদোকপগী থৌরম অদুদা জিরিবম দিষ্ট্রিক্টকী অধ্যক্ষ্য, জিলাপরিষদ কে ঐচ জানকিনা লুচিংদুনা ফুটবোল টুর্নামেন্ট অদু শান্নবা হৌহনখি। থৌরম অদুদা জিরিবাম দিষ্ট্রিক্টকী সুপিরিন্টেন্দেন্ট ওফ পুলিস এম মুবী অমসুং দিষ্ট্রিক্ট অদুগী এদিস্নেল এস পি অমদি ৱেলৱে প্রোটেক্সন ফোর্সকী ওফিসলশিংসু শরুক য়াখি।

হৌদোকপগী থৌরম অদুগা মরী লৈননা কলচরেল ট্রুপ কয়ানা জগোয় ঈশৈ কয়া শক্তুনা থৌরম অদুবু হেন্না মপুং ফাহনখি।

ঙসি টুর্নামেন্ট অসিগী হৌদোকপা নুমিৎতা জিরি পুলিস অমসুং জারোলপোকপী য়ুথ ক্লব লম্বা তৌনখি। মেচ অদুগী হৌরকপদগী হৌনা জিরি পুলিসকী শান্নরোয়শিংনা পাঙ্গল হেন্না শান্নবা ঙমখি। টিম অদুনা জারোলপোকপী য়ুথ ক্লবকী মায়কৈদা চথুখিবা এটেকশিং অদুগী মনুংদা পুংন্না পাঞ্জল ৫ চনবা ঙমখি।

অমরোমদা জরোলপোকপী য়ুথ ক্লবকী শান্নরোয়শিংনা ফনা কন্না হোৎনরবসু মখোয়গী মায়কৈদগী শুপ্পগী পাঞ্জ অনীখক চনখিবদগী মেচ অদু জিরি পুলিসনা ৫-০দা থোইখি।

# ইম্ফাল রেঞ্জনা কোহিমা রেঞ্জবু মায়থীবা পীদুনা ইন্টর রেঞ্জ হেন্দবোল চেম্পিয়ন ওইখ্রে



ইম্ফাল, জুন ১২ (ঐচ এন এস)ঃ

গ্রুপ সেন্টর সি আর পি এফ ইম্ফালনা য়ুম্বু ওইদুনা নোর্থ ইষ্ট জোন ইন্টর রেঞ্জ হেন্দবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯গী চেম্পিয়ন ইম্ফাল রেঞ্জনা কোহিমা রেঞ্জবু মায়থীবা পীদুনা চেম্পিয়ন ওইখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেচ অদুদা ইম্ফাল রেঞ্জ অমসুং কোহিমা রেঞ্জগী মায়কৈদগী য়াম্না লম্বা মান্নবা থেংনখি। পনবা য়াই, ঙসি অঙনবদা শান্নখিবা অহানবা সেমি ফাইনেল মেচতা ইম্ফাল রেঞ্জনা অগরটালা রেঞ্জপু পোইন্ট ৩২-২১দা মায়থীবা পীখি। অদুগা অনীশুবা সেমি ফাইনেলদা কোহিমা রেঞ্জনা খটখতি রেঞ্জপু পোইন্ট ২৫-১৩দা থোইরগা ফাইনেল য়ৌরকপনি।

ফাইনেল মেচ অদুদা ইম্ফাল রেঞ্জ অমসুং কোহিমা রেঞ্জগী শান্নরোয়শিং অমনা অমগী মায়োক্তা চেম্পিয়ন ওইদবা য়াদে হায়বগী ৱাখল্লোলদা স্কোর তৌনবা হোৎনরকখি। পোইন্ট য়াম্না নক্কনা টিম অনীমক শান্নবা ঙমখি। অদুবু ইম্ফাল রেঞ্জকী মায়কৈদগী অপীবা মতম লোইশিল্লকপদা কোহিমা রেঞ্জদগী মখোয়না পোইন্ট ৩ হেল্লগ ২২-১৯দা থোইদুনা নোর্থ ইষ্ট জোন ইন্টর রেঞ্জ হেন্দবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯গী চেম্পিয়ন ওইখি।

নীংশিংবা য়াই, টুর্নামেন্ট অসিগী ইম্ফালগী লাংজিংদা লৈবা গ্রুপ সেন্টর সি আর পি এফনা য়ুম্বু ওইদুনা পুন্না নোর্থ ইষ্টকী সি আর পি এফকী রেঞ্জ ৮না শরুক য়াখি। ঙসি লোইশিনবগী থৌরম অদুদা মণিপুর অমসুং নাগালেন্দ সেক্টরগী সি আর পি এফকী আই জি পি ওইরিবা অন্সুমান যাদবনা চীফ গেষ্ট ওইখি। লোয়ননা গ্রুপ সেন্টর ইম্ফালগী দি আই জি পি আই লোকেন্দ্রসু শরুক য়াখি। টুর্নামেন্ট অদুগী খ্বাইদগী ফজবা শান্নরোয় অদুগী মনা অদু ইম্ফাল রেঞ্জ টি ঐচ সঞ্জয়না ফংখি।

# ৱিমেন্স ৱর্ল্ড কপ ফুটবোলদা য়ু এস এনা থাইলেন্দবু পাঞ্জল ১৩-০দা থোইখ্রে, সাউথ কোরিয়াবু নাইজেরিয়ানা পাঞ্জল ২-০দা মায়থীবা পীখ্রে

FIFA WOMEN'S WORLD CUP FRANCE 2019

পেরিস, জুন ১২ (এজেন্সী)ঃ

ফ্রান্সনা য়ুম্বু ওইদুনা লৈবাক অদুগী তোঙান-তোঙানবা সিটিশিংদা পাঙথোক্লিবা ফিফা ৱুমেন্স ৱর্ল্ড কপ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ৮লক শুবা এদিসনগী ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা গ্রুপ 'এফ'কী মেচ অমদা য়ু এস এনা থাইলেন্দবু য়াম্না হেন্না পাঞ্জল ১৩-০দা মায়থীবা পীখ্রে। অদুগা ঙসি অঙনবদা শান্নখিবা গ্রুপ এগী মেচ অমদনা সাউথ কোরিয়া নাইজেরিয়াগী মখূৎতা পাঞ্জল ০-২দা মায়থীহৌরে।



ফ্রান্সকী রইয়মস সিটিদা লৈবা ওগষ্টি দেলোনে ফুটবোল ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা গ্রুপ এফকী অহানবা রাউন্দগী মেচ অমদা ৱর্ল্ড কপ অসিগী মমাঙ চহীগী চেম্পিয়ন ওইরিবা য়ু এস এ অমসুং থাইলেন্দ লম্বা তৌনখি। মেচ অদু য়ু এস এনা হৌবদগী লোইবা ফাওবা য়াম্না হেন্না শান্নবা ঙমখি।

য়ু এস এগী মমিং লৈরবা ষ্ট্রাইকর মোর্গাননা মেচ অদুদা পুন্না পাঞ্জল ৫ চনবা ঙমখি। মেচ অদুগী অহানবা পাঞ্জল অদুসু মহাক্না ১২শুবা মিনটতা চনখি। অদুগা অতোপ্পা পাঞ্জল মরি অদুনা অনীশুবা হাফতা চনবা ঙমখি।

মোর্গানগী অঙনবা পাঞ্জল অদুগী মতুং টিমমেট লাভেলনা ২০শুবা মিনটতা পাঞ্জল অমা হাপচিনবা ঙমখি। মদুগী মতুং অহানবা হাফ অদুগী ৩২শুবা মিনটতা য়ু এসকী হোরাননা পাঞ্জল অমগা হাপচিল্লগা মেচ অদুগী হাফ লোইশিল্লকপদা থাইলেন্দবু য়ু এস এনা ৩-০দা হেন্দুনা লৈখি।

অনীশুবা হাফতা থাইলেন্দগী শান্নরোয়শিং অদুনা পাঞ্জল হন্দোকপগী ৱাখল্লোন শেমগৎপা লায়রদনা য়ু এস এগী মায়কৈদগী চথুরকখিবা এটেকশিং অদু ঙাকথোক্নবা হোৎনবদা অৱাবা অমা ওইখি। পাঞ্জল অহানবা চনখিবা মোর্গাননা অনীশুবা হাফ অদুগী ৫৩, ৭৪, ৮১ অমসুং ৮৭শুবা মিনটতা পাঞ্জল ৪ হাপচিনখি।

টিম অদুগী অতোপ্পা শান্নরোয় লাভেলসু ৫৬শুবা মিনটতা পাঞ্জল অমা চনবা ঙমখি। টিম অদুগী নেৱিসনা ৫০ অমসুং ৫৪শুবা মিনটতা পাঞ্জল অনী হাপচিল্লবা মতুং রাপিনো, পুগ অমসুং লোইদনা পাঞ্জল অমমম হাপচিল্লগা থাইলেন্দবু ১৩-০দা থোইখি।

ঙসি অঙনবদা বেনোবল সিটিদা লৈবা অলপেস ফুটবোল ষ্টেদিয়মদা গ্রুপ এগী অনীশুবা রাউন্দগী মেচ অমা শান্নবদা সাউথ কোরিয়া অমসুং নাইজেরিয়া লম্বা তৌনখি।

মেচ হৌরকপদা নাইজেরিয়াগী মায়কৈদগী সাউথ কোরিয়াগী হাফতা এটেক কয়া চথুবা ঙমখি। শান্নবগী ২৯শুবা মিনটতা নাইজেরিয়ানা পুশিল্লকখিবা এটেক অমদা সাউথ কোরিয়াগী দিফেন্দর কিম দো য়িওননা শোয়বদগী কাওশিনজখিবা বোল অদুনা নাইজেরিয়াগী অহানবা পাঞ্জল ওইখি। সাউথ কোরিয়াগী মায়কৈদগী পাঞ্জল হন্দোক্নবা য়াম্না কন্না হোৎনদুনা শান্নরকপা অদু অহানবা হাফ ফাওবদা ঙমখিদে। অনীশুবা হাফকী ৭৫শুবা মিনটতা নাইজেরিয়াগী ওসোলানা পাঞ্জল অমগা চনশিল্লগা ২-০দা থোইখি।

# সাউথ অফ্রিকানা রসিয়া থোইদুনা সেমী ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে

FIH SERIES FINALS

ভুবনেশ্বর, জুন ১২ (এজেন্সী)ঃ

ইন্দিয়ানা য়ূম্বু ওইদুনা ভুবনেশ্বর সিটিদা চথুরিবা ৱর্ল্ড হোকি সেরিজগী ঙসি শান্নখিবা ক্রোস ওভর মেচ অমদা সাউথ অফ্রিকানা রসিয়াবু পাঞ্জল ২-১দা থোইদুনা সেমী ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে।

মেচ অদুগী অহানবা হাফ অদু টিম অনীমক্কী শান্নরোয়শিংনা য়াম্না লম্বা মান্ননা শান্নদুনা মখোয় মখোয়না পুশিল্লকখিবা এটেকশিং অদু পাঞ্জল ওন্থোকপা ঙমদনা লৈখি।

অহানবা হাফকী ক্বার্টর অনী শান্নবা লোইখ্রবা মতুং অনীশুবা হাফতা শান্নবা হৌখিবা অহুমশুবা ক্বার্টরগী লোইরমদাইদা সাউথ অফ্রিকাগী মায়কৈদগী টুলিনা ৪০শুবা মিনটতা মেচকী অহানবা পাঞ্জল অদু চনখি।

রসিয়াগী মায়কৈদগী অহুমশুবা ক্বার্টর অদুগী লোইবা ফাওবা পাঞ্জল হন্দোকপা ঙমখিদ্রবা মতুং মরিশুবা অমদি অরোইবা ক্বার্টর অদুগী মিনট ২ চঙশিল্লকপদা টিম অদুগী অরুসিয়ানা ইক্বেলাইজর অদু চনবা ঙমখি। মেচকী লোইগদবা মিনট ৭তা ঙাইরবা মতমদা সাউথ অফ্রিকাগী এটেক অমদা টিম অদুগী জুলিয়সনা পাঞ্জল অমা চন্দুনা রসিয়াবু মখোয়না ২-১দা মায়থীবা পীরগা টুর্নামেন্ট অসিগী সেমী ফাইনেলদা য়ু এস একা লম্বা তৌনরগনি।

ঙসি শান্নখিবা অতোপ্পা ক্রোস ওভর মেচ অমদা জপাননা পোলেন্দবু পাঞ্জল ৬-২দা থোইরগা থা অসিগী ১৪দা শান্নগদবা সেমী ফাইনেলদা জপাননা য়ূম্বু ইন্দিয়াগা লম্বা তৌনরগনি।

জপানগী মায়কৈদগী অহানবা হাফতা পাঞ্জল অহুম চনবা ঙমখি। অদুগা অনীশুবা হাফতা পাঞ্জল অহুম অমগা হাপচিল্লগা পোলেন্দগী পাঞ্জল অনী অদুবু হেন্দুনা ৬-২দা থোইরগা ইন্দিয়াগী সেমী ফাইনেলদা লম্বা তৌগদৌরিবনি।


MANIPUR UNIVERSITY
CANCHIPUR-IMPHAL 795003
MANIPUR, INDIA
TENDER NOTICE
Imphal the 11th June, 2019

MU/IV/2/ DR / PO /ADVERTISEMENT/19/2 /1223

Sealed Tenders are invited from reputed GST registered firms for the supply of Dustbin of 100L, 80L, and 60L capacity. Details of the items along with terms and conditions may be obtained from the office of the Deputy Registrar (Admn.) or can be downloaded from Manipur University website www.manipuruniv.ac.in. The sealed tender should be submitted /posted to the undersigned on or before 18th June, 2019.

Sd/ Deputy Registrar/Purchase Officer
Manipur University

HL-B/5475/13



GOVERNMENT OF MANIPUR
DEPARTMENT OF COMMAND AREA DEVELOPMENT
MANIPUR
NOTIFICATION
Imphal, the 11th June, 2019.

No.4/CADA-DPC/2019 : In partial modification of notification of even no. and date, this is to inform to all the candidates whose names are sponsored by the Employment Exchanges of all Districts of Manipur for recruitment to the post of 2(two) nos. of Section Officers to note the following schedule for the conduct of the written examination. Forms will be issued on payment of Rs 500/- (for General & OBC candidates) and Rs. 300/- (for SC & ST candidates) from the Office of the Executive Engineer(HQ), Div.-II, CADA as per schedule dates below :

1. Issue of application form & Submission of duly filled in application form - 12-06-2019 to 21-06-2019 upto 4 p.m.
2. Issue of Admit Card after scrutiny - 24th to 26th June,2019.
3. Date of Examination - 30-06-2019

Sd/- Suresh Singh Ningombam
Additional Chief Engineer
Department of Command Area Development
Government of Manipur

HL-B/5467/12,13



VIMIT
VIBGYOR INSTITUTE OF MANAGEMENT AND INFORMATION TECHNOLOGY
SANGAIPROU, FCI ROAD, OPP. MSPDCL OFFICE, IMPHAL WEST
ADMISSION OPEN
FOR THE ACADEMIC SESSION 2019-2020
BBA Eligibility 10+2 BCA
(BACHELOR OF BUSINESS ADMINISTRATION) (BACHELOR OF COMPUTER APPLICATION)
THREE YEARS DEGREE COURSES WITH DUAL CERTIFICATION
Affiliated to Manipur University
2 Months Certificate Course on
Tally ERP9
Prospectus/ Form available during office hours on any working days
Please contact: 7005845205/7005847770
Email-vimitimphal@gmail.com
www.vimitimphal.com
Sd/-
Dr. M. Biren Singh
Director, VIMIT, Imphal
HL-P/4288/9,11,13


Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Thounaojam Birdhaja, Managing Editor: Maisnam Karnajit, Asstt. Editor : Kh. Nandalal; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com